# নিয়ম কায়বা বোল খুৎলংগীদমক আই সি সিনা বংলাদেশকী বোল্লর অনীবু সস্পেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২০ :
ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি-২০ দা শরুক য়ারিবা বংলাদেশ টিমগী কেপ্তেনদা অচৌবা শাফু অমা পীবা ওইবা লৈবাক অসিগী পেস সেন্সেসন টাস্কিন অহমেদ অমদি লেফ্‌ট-আর্ম স্পিনর অরাফ্‌ট সনিবু নিয়ম কায়বা বোল খুৎলংগীদমক ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সীল (আই সি সি) না সস্পেন্দ তৌখ্রে।

বংলাদেশকী অরাফট সনি অমদি টাস্কিন অহমেদ অনীবু মনিংতম্না থিজিনখিবদা নিয়ম কায়বা মওংদা বোল লংখি হায়বা খঙখিবদগী বোল্লর অনী অসিবু মতম কক্তনা খুদক্তগী ইন্টর্নেসনল ক্রিকেটতগী সস্পেন্দ তৌরে হায়না ইন্টর্নেসনল ক্রিকেট কাউন্সীল (আই সি সি) না লাউথোকখি হায়না আই সি সিগী চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

অরাফটকী বোল খুলং অদুবু থিজিনখিবদা মহাক্কী খুৎকী খুনিং অদু ফদোক্লগা লংখি হায়বা খঙখি। আই সি সিগী রিগুলেসনদা দিগ্রী ১৫ গী লেবেলদা লংবা য়াই হায়বগী অয়াবা পীরিবনি। মসিদগী হেন্না অরাফটনা হেন্না ফন্দোক্তুনা লংখিবনা নিয়ম কায়বা ওইখি অমদি টাস্কিনসু নিয়ম কায়না বোল লংখি হায়রি।

বোল্লর অনীবু সস্পেন্সন তৌখ্রবা মতুংদা ওইরক্লিবা টিমগী ফীভম অসিদা আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ ইন্দিয়া ২০১৬ ইভেন্ট টেক্লিকেল কম্মিটিদা বংলাদেশ ক্রিকেট টিমনা বোল্লর অনী অদুগী মহুৎ শিন্নবা অয়াবা পীরি হায়না আই সি সিনা হায়খি।

মশাগী চহী ২০ শুরবা টাস্কিন অহমেদ অসি হৌজিক বংলাদেশকী টিমদা খ্বাইদগী য়াঙনা বোল লংবা শান্নরোয় ওইবদা নত্তনা ও দি আই মেচ ১৪ দা ৱিকেট ২১ অমদি টি ২০ ইন্টর্নেসনলগী মেচ ১৩ দা ৱিকেট ৯ লৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা সনিনা ও দি আই ১৬ তা ৱিকেট ২৪ অমদি টি ২০ ইন্টর্নেসনল ১০ দা ৱিকেট ১২ লৌখ্রে।

আই সি সিগী রিগুলেসনগী আর্টিকল ৬.১ গী মতুংইন্না অরাফট অমদি টাস্কিনগী ইন্টর্নেসনল সস্পেন্সন অসি শকখঙবগা লোয়ননা মখোয় মশাগী জুদিসদিক্সনদা শান্নবা দোমেষ্টিক ক্রিকেট ইভেন্টকী মেম্বর পুন্নমক্তসু ইনফোর্স তৌগদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক বংলাদেশ ক্রিকেট বোর্দকী অয়াবা মতুংইন্না বোল্লর অনী অসিনা বি সি বিগী মখাদা শান্নবা দোমেষ্টিক ক্রিকেট ইভেন্টতা শরুক য়াবদি য়াগনি। অরাফট অমদি টাস্কিনগী বোল্লিং এক্সনগী রিপোর্ট অদু মখোয়গী সাইদতা মার্চ ৯ দা ধর্ম্মশালাদা শান্নখিবা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী নেদরলেন্দসকা মায়োক্নদুনা শান্নখিবা অদুগী মতুংদা লাকখিবনি।

মনিংতম্বা থিজিনবগী থবক অদু চেন্নাইদা লৈবা আই সি সি-এক্রিদেটেদ টেষ্টিং সেন্টরদা চথখি। অরাফটকী বোল্লিং এক্সন অদু মার্চ ১২ অমদি টাস্কিনগী টেষ্টনা মার্চ ১৫ দা পাঙথোকখি।

# নোভাক জোকোভিচনা রফেল নদালবু মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী ফাইনেলদা মিলোস রাওনিক্কা শান্নরগনি





ইন্দিয়ন ৱেল্লস, মার্চ ২০ :
মালেমগী টোপ রেঙ্ক প্লেয়র অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন নোভাক জোকোভিচনা মহাক্কী মতম শাংনগী রাইভেল রফেল নদালবু বি এন পি পারিবাস ওপনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৭-৬ (৫), ৬-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবগা লোয়ননা ওপন অসিগী মঙারকশুবা টাইটল লৌনবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে।

জোকোভিচ অমদি নদালনা কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখিবা মেচ অদুদা সার্ব অসিনা অনীশুবা সেটতা মহাক্কী ওপোনেন্টপু অনীরক ব্রীক পীদুনা মায় পাকখি।

অমরোমদা ওপন অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ অমদা কনাদিয়ন নম্বর ৱান মিলোস রাওনিক্কা বেলজিয়ানগী গোফিন মোনফিলসপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

জোকোভিচ অমদি নদাল অনীগী মেচ অদু পুং অনী চুপ্পা শান্নদুনা জোকোভিচনা মায় পাকখিদুনা ফাইনেলদা মিলোস রাওনিক্কা মায়োক্নসুনা শান্নগনি।

ঐনা মেচ অদুদা নিংথিনা শান্নখি। অদুবু অহানবা সেটতদি ট্রাই ব্রেক্তা মায়োক্নখিবা ওপোনেন্টবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাক্নবগী লম্বীদা চঙলকখি। অদুবু অনীশুবা সেটতা নদালবু য়াম্না লায়না মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি হায়না জোকোভিনা ফোঙদোকখি।

জোকোভিচনা নদালগা মায়োক্নদুনা শান্নখিবদা ২৫-২৩ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ থল্লিবনি।

অহানবা সেট অদু ইবাইনিনা য়াম্না কৃক কৃক ইন্ননা শান্নখি অমদি ট্রাই বেক্করদা পোইন্ট অনী হেন্দুনা ঐনা মায় পাকপগী লাইবক ফবা হায়বদু ওইখিবনি।

সেকেন্দ সেটতা ঐনা নিংথিনা শান্নরক্তুনা নদালবু কন্ট্রোল তৌবা ঙমখি। অদুমকপু মেচ অদু য়াম্না টফ ওইখি। নঙনা রফাগা শান্নবা মতমদা টফ ওই-ওইদে হায়বদু শোয়দনা খঙগনি হায়না জোকোভিচনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

স্পানিয়াদ অসিনা টাই ব্রেক্তা ২-৫ দা নেম্না লৈখি অদুবু মতুং তারকপদা ৫-৫ দা লেভেল মান্নরা লৈখি। জোকোভিচনা মহাক্কী শাফু কল্লবা সার্বকা লোয়ননা য়ৈখিবা অয়াংবা বোলশিং মনম মনম পীশিন্দুনা ৬-৫ দা মাঙজিল থানা লৈখি।

নদালসু ওপোনেন্টকী মায়োক্তা অকনবা প্রেসর পীননবা হোৎনরখ্রবসু থোইদোকপা কান্নবা ফংখিদে। জোকোভিচনা অনীশুবা সেটতদি দোমিনেট তৌদুনা চৎখিদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

অমরোমদা ওপন অসিগী অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অমদা রাওনিক্কা বেলজিয়মগী কোফিনবু ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌরকখি।

রাওনিক্কা কোফিনবু মায়থীবা পীননবা হোৎনরকপদা পুং ২ চঙনা শান্নখি। ঐনা মহাকপু সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লকপা অসিদা অপেনবা পোকই হায়না মেচ লোইরবা মতুংদা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্টান টিম চান্দিগরদা থুংখ্রে, অকনবা সিক্যুরিটি চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে, খোয়শাওনরবা মীয়াম্না বেট মৈ থাখ্রে



চান্দিগর/করাচি, মার্চ ২০ ঃ
মখোয়গী মমাঙগী গেমদা ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীখ্রবা মতুং পাকিস্টান ক্রিকেট টিমনা ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ দা ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগদবা মথংগী মেচকীদমক অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখিবা মরক্তা ঙসি মফম অসিদা থুংখ্রে।

শহিদ অফ্রিদিনা লুচিংবা পাকিস্টানি টিম অসিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবদা মফম অসিদা থুংখি। পাকিস্টাননা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা কোলকটাগী ইদেন গার্দেন্দা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়াগী মখূৎতা ৱিকেট তরুক্তা মায়থীখিবনি। পাকিস্টাননা মখোয়গী মথংগী মেচ অদু লাক্লিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ন্যুজিলেন্দগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি।

চান্দিগর পুলিস অমদি পঞ্জাব পুলিসকী ওফিসলশিংনা হায়খি, অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং টিমনা লৈরিবা ফাইব ষ্টার হোটেলগী অকোয়বদা ঙাক শেন্নবা থমখ্রে অমদি মোহালিগী পি সি এ ষ্টেদিয়মদসু ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎখ্রে।

হোটেলগী অকোয়বা অমদি মসিগী মফমশিংদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। ঐখোয়না চেকশিন্না মফমশিং অদুবু য়েংশিল্লি হায়না চান্দিগরগী পুলিস ওফিসলশিংনা হায়খি। ঐখোয়না ফুলপ্রুফ সিক্যুরিটিগী শিন লাংলিবশিং অসিগী মথক্তা অহেনবা ফোর্সশিংসু মথৌ তৌহনখ্রে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (সিটি), মোহালিগী গগন অজিৎ সিংহনা হায়খি।

পাকিস্টানগা মায়োক্নগদৌরিবা কিৱিজ টিমনা থাংজ নুমিৎতা মফম অসিদা থুংখ্রবনি।

অমরোমদা হৌজিক চথরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টুয়েন্টি ২০ গী ইদেন গার্দেন্দা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া অমদি পাকিস্টান অনীগী মেচতা পাকিস্টাননা ইন্দিয়াগী মখূৎতা মায়থীহৌখ্রবা মতুং খোয়শাওনরবা পাকিস্টানি ক্রিকেট ফেনশিংনা লম্বী লমজাওদা থোরক্তুনা লাউখোংদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে।

ক্রিকেটপু পামজবশিংনা বেটশিং মৈ থাখি অমদি ভিরাট কোহলিনা থৌনা ফনা মথৌ পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াবু মায় পাকহনখিবা অদুবু য়েংখিবশিংনা মখোয়গী টি ভি সেটশিংসু থুগায়খি।

বংলাদেশনা য়ূম্বু ওইদুনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া কপ্তসু এম এস ধোনি এন্দ কোনা শাহিদ অফ্রিদিগী মীওইশিংবু মায়থীবা পীখিবা অদুগী থৌওং অদুমক থোকখি।

ইন্দিয়াগা চপ মান্ননা পাকিস্টানিশিংনসু ক্রিকেটতা থৱায় হকচাং য়াওনা পাম্বগী মতৌ লৈরি।

পাকিস্টানবু ইন্দিয়ানা মায়থীবা পীখিবা অদুদা অমুক্তা হেন্না মথৱায় নুঙাইতবা অমদি পেন্দবগী লিচিং ওইদুনা অশাওবনা থুমহৎখিবনি।

পাকিস্টানগী মফম খরদা ফেনশিংনা ক্রিকেট বোর্দকী মায়োক্তা স্লোগানশিং লাউদুনা পেন্দবা ফোঙদোকখি অমদি টিম প্লেয়রশিংবু মতিক চাবা থবক লৌখৎননবা ফেনশিং অদুনা অকনবা দিমান্দসু তৌখি।




HL-B/3000/05/03-4/04


# ঐচ এস প্রন্নোয়না স্বিস ওপনগী টাইটল লৌখ্রে, সাইনা সেমী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে





বাসেল, মার্চ ২০ ঃ
ইন্দিয়াগী ষ্টার শট্‌লর ঐচ এস প্রন্নোয়না স্বিস ওপনগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা জর্মনগী মার্গ ৱেল্লরবু মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অনীশুবা গ্রান্দ প্রী গোল্ড বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে।

তরাহুমদোই শুবা সীদেদ প্রন্নোয়না য়ু এস দি ১২০,০০০ টুর্নামেন্ট অসিদা তরেৎশুবা সীদেদ ৱেল্লরবু মিনিট ৪৫ খক চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা ২১-১৮, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা প্রন্নোয়না কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইন্দোনেসিয়া ওপন গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী টাইটল লৌখি। প্রন্নোয়না টুর্নামেন্ট অসিদা ইংলেন্দগী রজিব ঔসেফ য়াওনা অৱাংবা রেঙ্কতা লৈবা প্লেয়রশিং মায়থীবা পীখিবনি।

প্রন্নোয়না মেচ অদুদা য়াম্না ঈংনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা অহানবা গেমদা ৭-৪ দা মাঙজিল থানা চৎখি। জর্মনগী রেঙ্ক ১৯ দা লৈরিবা অসিগা ইন্দিয়াগী ২৭ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা প্রন্নোয়গা য়েংনরুবদা প্রন্নোয়না হেন্না মশক থোক্লা শান্নখি।

রাইবেল অনীনা ১৮-১৮ দা চাং মান্ননা লৈখ্রবা মতুং ইন্দিয়ানা ষ্ট্রেট পোইন্ট অহুম লৌদুনা ওপনিং গেম অদু ২১-১৮ দা মায় পাকখি। অনীশুবা গেমদসু ইন্দিয়ন অসিনা নীংথিনা ৱাখল তানা শান্নখিদুনা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেম অদুগী অহৌবদা প্রন্নোয়না ৩-০ দা মাঙজিল থাখি অমদি মতুং তারকপদা য়াম্না গেপ লৈনা ১৮-৮ দা অমুক মাঙজিল থাখি।

অমরোমদা টোপ সীদ সাইনা নেহৱালনা থাংজ নুমিৎতা মফম অসিদা শান্নখিবা স্বিস ওপনগী সেমী ফাইনেল মেচতা চিনাগী ৱাং য়িহানগী মখূৎতা ২১-১১, ২১-১৯ দা মায়থীদুনা ওপন অসিদগী মপান থোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুঙাইবা পাউ অমনা নুপাগী সেক্সনদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রন্নোয়না সেমী ফাইনেল মেচতা চাইনিজ টাইপৈগী টজু ৱৈ ৱাংবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবনি।

অনীরক টাইটল লৌখ্রবা সাইনানা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সীদতা লৈরিবা মহাক্কী চাইনিজ লম্বাগী মায়োক্তা নিংথিনা শান্নবা ঙমখিদে। ৱাংনা গেম অনীমক্কী অহৌবদা মাঙজিল থানা চৎখি অমদি সাইনানা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা অদু শীজিন্নদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টকী মায়কৈদা খুমাঙ চাউশিননা চঙশিনবদি ঙমখিদে। মেচকী অহানবা সেটতা চাইনিজগী মখূৎতা ২১-১১ দা মায়থীখ্রবসু অনীশুবা সেটতা নিংথিনা শান্নরক্কদ্রা হায়না লৈনখ্রবসু তায়োন্নবদা চৎখিদুনা ২১-১৯ দা চি লাউনা মায়থীহৌখি।

অমরোমদা দোল্লর ১২০,০০০ গ্রান্দ প্রী গোল্ড ইভেন্টকী নুপাগী সেক্সন্দা প্রন্নোয়না থৌনা ফনা শান্নখি। ঙরাং শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ন অসিনা অহানবা গেমদা ১২-২১ দা মায়থীখ্রবা মতুং অনীশুবা গেমদা ২১-১৪ দা মায় পাকখি অমদি অহুমশুবা গেমদা ২৩-২১ দা চাউনা মায় পাকখি।

তরাহুমদোই শুবা সীদ প্রন্নোয়না থাইলেন্দগী ১ শুবা সীদেদ টানোংসাক সানসোমবুনসুকপু পুং অমা চঙনা ২১-১৮, ২২-২৪, ২১-৯ দা শগোলশেল নুমিৎতা মায়থীবা পীখি।

প্রন্নোয়না মথংগী রাউন্দদা জর্মনিগী মার্গ ৱিল্লর অমদি স্বিদেনগী হেনরি হুস্কেনেন অনীনা শান্নবা মেচতগী মায় পাল্লকপা অদুগা লম্বা তৌদুনা শান্ননবা ঙাইরকখিবনি।

পনবা য়াই, অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সাইনানা মহাক্কী অহুমশুবা টাইটল লৌনবগীদমক ইরাই নুমিত্তা শান্নখিবা মেচতা জপানগী তরেৎশুবা সীদেদ সয়াকা সাটোবু মিনিট ৫২ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ১৩-২১, ২১-১৫, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলদা খোঙ থাংজিনখিবনি।

সাইনা অমদি সায়াকা অনীনা মমাঙদা থেংনখিবা মেচশিংদা সাইনানা ৫-১ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ লৈরিবনি।

মমাঙগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ৱাং য়িহানগা সাইনা অনীনা হৌখিবা মেচশিংদা শান্নখিবদা ৱাংনা ৯-৪ দা মায় পাকপগী রেকোর্দ লৈরিবনি। অদুমকপু ইন্দিয়াগী টোপ সীদেদ অসিনা কুমজা ২০০৫ দা চাইনিজ অসিগী মায়োক্তা শান্নখিবা মেচতা অহুম্লক মায় পাকখিবনা মথংগী রাউন্দ শান্নগদৌরিবা অসিদা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখিবনি।

ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সাইনা নেহৱালনা টুর্নামেন্ট অসিগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেমগী ৪১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী চেক রিপব্লিক্কী ক্রিষ্টিনা গভনহোল্টপু ২১-১৮, ২১-১৭ তা মিনিট ৩৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা মায়থীবা পীখি।

মেন'স সিঙ্গলস ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী ১৩ শুবা সীদ প্রন্নোয়না ইরাই নুমিত্তা শান্নখিবা মেচ অদুদা পুং অমা চঙনা থাইলেন্দগী ১৬ শুবা সীদেদ তানোংশাক সানসোম বুনসুকপু ২১-১৮, ২২-২৪, ২১-৯দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাওশিনখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ওষ্ট্রেলিয়ন ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জদা প্রন্নোয়না টজু ৱৈগী মখূৎতা মায়থীহৌখিবনি।

সীদেদ ১৩ শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগী প্রনোয়না প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা কুমজা ২০১০ গী কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী শিলভর মেদলিষ্ট ইংলেন্দগী তরুকশুবা সীদেদ রজিব ওসেফপু ২১-১৩, ২১-১৮ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# ৱেষ্টলর হরদিপনা গ্রেকো রোমান্দা রিও ওলেম্পিক্কী কোটা ফংখ্রে



অষ্টনা, মার্চ ২০ ঃ
মফম অসিদা চথরিবা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেশন চেম্পিয়নশিপকী নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নখিবা কেজি ৯৮ গী কেটাগোরিদা হরদিপনা গ্রেকো রোমান ইভেন্টতা ফাইনেল রাউন্দ চঙখিবদগী রিও ওলেম্পিক্কী কোটা ফংবা ঙমখ্রে।

হরদিপনা গ্রেকো রোমান্দা ওলেম্পিক্কীদমক কোটা ফংবা ঙমখিবা অসিনা অহানবা ইন্দিয়নসু ওইরে। কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স গেমসতা মৌসম খাত্রিনা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী গ্রেকো রোমান গ্রেপ্পলরনা হেভি ৱেথ কেটাগোরিদা ওলেম্পিক্কী ওইনা ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। হরদিপনা কেজি ৯৮ কেটাগোরিগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অদুনা মহাকপু ওলেম্পিক্কী কোটা ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না ফাইনেল চঙনবগী লম্বীদা মহাক্কী মায়োক্নখিবা লম্বাশিং য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীরমখি। হরদিপনা অহানবা মেচতা টর্কিমিনিষ্টানগী অর্স্লান সপারমাম্মেদোভপু ১১-০ দা মায়থীবা পীখি। মতুংদা কাজখষ্টানগী মারগুলান অসেমবেকোভপু ১১-২ দা সেমী ফাইনেলদা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাওশিনখি। ফাইনেলদা হরদিপনা চিনাগী দি জিয়াওগা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

চৈরক অসিদা অতোপ্পা ইন্দিয়নশিংনা শান্নখিবদা মায়থীখ্রবশিংদি দিনেস পোগাট (নুপীগী কেজি ৪৮), অনিতা (নুপীগী কেজি ৬৩), সোমবির (নুপাগী কেজি ৮৬ কী ফ্রি ষ্টাইল), নুপাগী কেজি ১২৫ গী ফ্রি ষ্টাইল অমসুং রবিন্দর (গ্রেকো রোমান) গী কেজি ৬৬) নি।

পনবা য়াই, ষ্টার রেষ্টলর যোগেশ্বর দত্তনা মফম অসিদা চথখিবা এসিয়ন ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন টুর্নামেন্টকী ঙরাং নীনি চনবা থাংজ নুমিৎতা নুপাগী কেজি ৬৫ গী ফ্রী ষ্টাইল ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দ চঙবা ঙমখিবদগী ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক কোটা ফংবা ঙমখি।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও গেমসকীদমক যোগেশ্বরনা অনীশুবা কোটা ফংবা ইন্দিয়ন রেষ্টলর ওইখি। মমাঙদা নরশিং যাদভনা অহানবা ওলেম্পিক কোটা ফংবা ইন্দিয়ন রেষ্টলর ওইখিবনি।

মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ইন্দিয়ন অসিনা ফাইনেল চঙখিবদগী ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি। চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱেথ কেটাগোরিশিংদা টোপ্তা লৈবা ঙম্বা অমদগী অনী ফাওবনা রিওগীদমক ক্বালিফাই ওইগনি।

লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট যোগেশ্বরনা ফাইনেল চঙলকপগী লম্বীদা ফজবা পার্ফোমেন্সশিং পীখিদুনা মহাক্কী বাউট অহুম মায়পাকখি। মহাক্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা নোর্থ কোরিয়াগী কিম জু সোংবু ৮-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। ক্বার্টর ফাইনেলদা মহাক্না ভিয়েটনামগী জুঅন দিন ভুয়েনবু য়াম্না লায়না ১২-২ দা মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুংদা মহাক্না সেমী ফাইনেলদা কোরিয়াগী লী সুং-টুলবু ৭-২ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।


## ন্যুজিলেন্দনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মাঙজিল থারি

ন্যু দেল্লি, মার্চ ২০ ঃ
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ দা শরুক য়ারিবা ন্যুজিলেন্দনা মহাক্কী ফংখিবা মেচ অনীমক মায় পাকখিদুনা পোইন্ট ৪ ফংখিবগা লোয়ননা গ্রুপ টুগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরি।

ন্যুজিলেন্দনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফংখিবা মেচ অনীদা অনীমক মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকখিদুনা পোইন্ট ৪ ফংখি। পাকিস্টান্না মেচ অনী ফংখিবদা মেচ অমনা মায় পাকখিবা অমদি মেচ অমনা মায়থীখিবদগী পোইন্ট ২ খক্তমক ফংদুনা লৈরি। অদুগা ইন্দিয়াসু মহাক্কী মেচ অনী ফংখিবদা মেচ অমনা ন্যুজিলেন্দগী মখূৎতা মায়থীখি অমদি মেচ অমনা পাকিস্টানবু মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবদগী পোইন্ট ২ খক্তমক ফংদুনা লৈরি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মমাঙদা ফংখিবা মেচ অমদা ন্যুজিলেন্দগী মখূৎতা মায়থীহৌখিদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংবা ঙমদনা লৈবগা লোয়ননা বংলাদেশসু মেচ অমত্তা মায় পাকপা য়াওদনা লৈরি।

# ব্রাজিলনা রিও ওলেম্পিক মনুংদা দ্রগ টেষ্ট তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে




ব্রাসিলিয়া, মার্চ ২০ ঃ
ব্রাজিলনা লাক্লিবা রিও ২০১৬ কী ওলেম্পিক্স অমদি পারালিম্পিক গেমস চথরিঙৈ মনুংদা শরুক য়ারিবা এথলেটশিংবু দ্রগ টেষ্ট তৌনবা থবক পায়খৎখ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরক্লি।

ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সি (ৱাদা) না মসিগী মথৌ তাবশিং দরকার ওইরবদি হোংদোক্নবগীদমক মার্চ ১৮ ফাওবগী মনুংদা থবক পায়খৎনবা ওর্দর তৌখিবা লৈবাক মঙাগী মনুংদা ব্রাজিলসু অমা ওইরি হায়না জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

ব্রাজিলনা মশাগী ওইবা এন্টি দোপিং ট্রাইবুনেল অমদি ব্রাজিলিয়নগী লিগেল সিষ্টেম মনুংদা কোদশিং চৎনহনবা য়াওনা দরকার ওইবশিং লৈরে হায়না ৱাদানা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

বেলজিয়ম, ফ্রেঞ্চ অমদি গ্রীসসু মোন্ট্রিল বেজ ওর্গনাইজেশন অসিদগী থবক পায়খৎনবা অয়াবা ফংখ্রে অদুগা স্পেন অমদি মেক্সিকোনা নন কমপ্লেন্ট ওইনা লাউথোকখ্রে।

ৱাদাগী রুল মতুং ইন্না স্পেন অমদি মেক্সিকোনা মখোয়গী টেষ্টিং লেবোরেটরিশিংগী এক্রিদিটেসন অদু লৌথোক্লগনি। অদুগা ব্রাজিলনা মসিগী লেজিসলেসন্না থা অহুমগী মনুংদা অনৌবা রুল অসিগী মরী লৈনবশিং পাস তৌনবা থৌরাং তৌখ্রে। রিও ওলেম্পিক্স অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা অদুগা পারালিম্পিক্সনা সেপ্টেম্বর ৭-১৮ ফাওবা পাঙথোক্কনি।